# সাউথ অফ্রিকাদা নমিৎ ৫ নিগী খোঙচৎকীদমক ফোরেন মিনিষ্টর সুস্মা স্বরাজ ন্যু দিল্লি থাদোকখ্রে



*ন্যু দিল্লি, জুন ২ ঃ*

সাউথ অফ্রিকাদা চৎকদবা নুমিৎ ৫ নিগী খোঙচৎকীদমক এক্সটর্নেল এফিয়ার্স মিনিষ্টর সুস্মা স্বরাজ ঙসি ন্যু দিল্লি থাদোকখ্রে। মহাক্না খোঙচৎ অদুদা লৈবাক অদুগী মকোক থোংবা লুচিংবশিংগা উন্নরক্কনি অমসুং ইন্দিয়ানা অচৌবা শক্লোন অমা লৌরিবা মরু ওইবা গ্রুপ অনী – বি আর আই সি এস অমসুং আই বি এস এ গী মীফমশিং য়াওগনি।

পৈটরমারিটজবর্গ রেলৱে ষ্টেসন্দা ট্রেন কম্পার্টমেন্ট অমগী মনুংদগী নহা ওইরিবা মহাত্মা গান্ধীবু লংথোকখিবগী ইতিহাসিক ওইরবা থৌদোক অদুগী ১২৫ শুবা চহীগী থৌরমশিংদসু এক্সটর্নেল এফিয়ার্স মিনিষ্টরনা শরুক য়াগনি হায়না মিনিষ্ট্রি ওফ এক্সটর্নেল এফিয়ার্সনা হায়রি।

কুমজা ১৮৯৩ গী থৌদোক অদুনা সাউথ অফ্রিকাদা কাঙলূপ– জাৎ খায়বগী মায়োক্তা চঙশিনবা মহাত্মা গান্ধীগী লাহ্নেংদা অনৌবা মায়োন অমা পুরকখি।

অফ্রিকাগী লৈবাক অসিদা চৎপা মহাক্কী খোঙচৎ অদুদা সুস্মা স্বরাজনা বি আর আই সি এস (ব্রাজিল, রসিয়া, ইন্দিয়া, চিনা অমসুং সাউথ অফ্রিকা) গী ফোরেন মিনিষ্টরশিংগী জুন ৪ দা পাঙথোক্কদবা মীফমদা শরুক য়াগনি। মথং থাদা কোহেন্সবর্গতা গ্রুপ অসিগী চহীগী মীফমগী থৌরাংসু ফোরেন মিনিষ্টরশিংগী মীফম অসিনা তৌরমগনি। আই বি এস এ (ইন্দিয়া, ব্রাজিল, সাউথ অফ্রিকা) হায়রিবা অচৌবা মালেমগী ৱাথোকশিংদা লৈবাক অহুম অসিগী মরক্তা তেংবাংনবা হেন্না চেৎশিনবা থবক তৌবা অতোপ্পা গ্রুপ অসিগী ফোরেন মিনিষ্টরশিংগী মীফম অমদসু মহাক্না ময়াই তাংবন লৌদুনা শরুক য়াগনি।

মহাত্মা গান্ধীনা মহাক্কী নন–ভাইওলেন্সকী ফিলোসোফি হৌদোক্লকখিবা ফিনিক্স সেট্টলমেন্টতসু স্বরাজনা জুন ৬ তা চৎলুগনি।

কুমজা ২০১৮ চহী অসি ইন্দিয়া অমসুং সাউথ অফ্রিকাগী লৈনরিবা মরীশিংগীদমক য়াম্না মরু ওইবা চহী অমনি। চহী অসি লৈবাক অনী অসিগী দিপ্লোমেটিক মরীশিং লীংখৎখিবগী ২৫ শুবা চহী ওইরি, মহাত্মা গান্ধীবু ট্রেন মনুংদগী লংথোক্লকখিবগী ১২৫ শুবা চহী অমসুং সাউথ অফ্রিকাগী ইতিহাসিক ওইরবা লীদর নেলসন মন্দেলাগী ১০০ শুবা মপোক কুমওনসু তারি হায়না মিনিষ্ট্রি ওফ এক্সটর্নেল এফিয়ার্সনা হায়খি।

এক্সটর্নেল এফিয়ার্সকী খোঙচৎ অসিনা সাউথ অফ্রিকাগা ঐখোয়গা লৈনরিবা মরীশিং অমুক্কা হেন্না কনখৎহল্লগনি হায়না মিনিষ্ট্রিগী চেরোল অদুনা হায়খিবনি হায়রি।

# কাটারনা রুসিয়ান মিসাইলশিং লৌরবদি মিলিটরিগী থবক লৌখৎকনি হায়না সাউদি অরাবিয়ানা ৱার্নিং তৌখ্রে

*পেরিস, জুন ২ ঃ*

করিগুম্বা কাটারনা রসিয়াগী খ্বাইদগী শানবা এস–৪০০ এয়ার দিফেন্স মিসাইল সিষ্টেম অদু লৌনবা মখা তানা হোৎনরবদি অমসুং লৌরবদি কাটারগী মথক্তা মিলিটরিগী থবক লৌখৎনবা সাউদি অরাবিয়ানা কিহনখ্রে হায়না ফ্রান্সকী নুংতিগী ফোঙবা পাউ–চে লে মোন্দে হায়রি।

পাউ–চে অসিদা ফংবা ঈ–পাউ পল্লদুনা পাউ–চে অসিনা ঙরাং হায়খি, রিয়াধনা ফ্রেঞ্চ প্রসিদেন্ট ইমানুৱে মেক্রোনদা দিল অদু মখা চত্থবা থিংনবা খূৎ থিংজিনবিয়ু হায়না চিঠি ইখি অমসুং রিজনেল ষ্টেবিলিটি থম্বদা মতেং পাংনবা হায়খি। অদুবু রিপোর্ট অদুগী মতাংদা প্রসিদেন্টকী ওফিসতগী নৎত্রগা ফ্রেঞ্চ ফোরেন মিনিষ্ট্রিদগী খুদক্তা ওফিসিয়েল ওইবা ৱারোল অমত্তা থোক্লকপা লৈত্রি।

বহরেন অমসুং য়ুনাইটেদ আরব ইমিরেটস য়াওনা অতৈ রিজনেলগী শক্তি লৈবা লৈবাকশিংনা ঙাক্লৌ পীরিবা সাউদি অরাবিয়ানা হৌখিবা চহীগী জুন থাদা কাটারগা লৈনবা মরী ককথৎখি। গল্ফ ষ্টেট অসিবু রেদিকেল ইস্লামিস গ্রুপশিং শৌগৎলি অমসুং রিয়াধকী খ্বাইদগী য়েংথিনবা ইরানগা নক্নবা মরী লৈনৈ হায়না মরাল শীখি।

শীরক্লিবা মরালশিং অদু য়াখিদবা কাটারগী মথক্তা সাউদি অরাবিয়ানা মখা তাবা থবক ওইনা ইকোনোমিক সেঙ্কসনশিং থমজিনখি।

নাইতোম তানা ইন্থোকপগী ফিভম অসিদগী কোক্নবা হোৎনবগী খোঙথাং অমদা কাটারনা রসিয়া য়াওনা অনৌবা মরুপশিং থিখি। জনুৱারী থাদা রসিয়াদগী থাক ৱাংনা ফরবা এস–৪০০ মিসাইল সিষ্টেম লৌনবগী থবক খুমাঙ চাওশিনবা তাঙ্কত্তা লৈরে অমসুং মদুগী মতাংদা মোস্কোগা ৱারী শান্ননি হায়না কাটারনা লাওথোকখি।

ফ্রেঞ্চ প্রসিদেন্টতা থাখিবা চিঠি অদুদা সাউদি অরাবিয়াগী নিংথৌ সলমাননা দোহা অমসুং মোস্কোগগী মরক্তা খন্নরিবশিং অদু হকথেংনা নুংনাংবা ফোঙদোকখি অমসুং মুক্নবা হেনগৎলকপা য়াবগী ৱার্নিং তৌখি হায়না ফ্রাঞ্চকী পাউ–চে অসিনা হায়খি।

দিফেন্স সিষ্টেম অসি লৈহন্দনবা মথৌ তাবা থবক থৌরম পূন্নমক লৌখৎনবা সাউদি অরাবিয়ানা থৌরাং তৌরি। মদুগী মনুংদা মিলিটরিগী ওইবা থবক লৌখৎপসু য়াওরি হায়না পাউ–চে অদুদা ইখি।

কাটার অমসুং রসিয়ানা মিলিটরি অমসুং টেক্নিকেল কো–ওপরেসনগী মতাংদা হৌখিবা চহীদা য়ান্ন–চেরোল অমা সহি তৌনখি। লৈবাক অসিনা রসিয়ান এস–৪০০ মিসাইল এয়ার দিফেন্স সিষ্টেমশিং লৈনবা ৱারী শান্নরি হায়না জনুৱারী থাদা রসিয়াদা লৈবা কাটার এম্বেসেদরনা ফোঙদোকখিবনি।



*মোস্কোগী রেদ স্কৱারদা পাঙথোকপা ভিক্টরি দে পেরদ অমদা রসিয়ান সার্ভিসমেন্টশিংনা থৌরিবা এস–৪০০ মিসাইল এয়ার দিফেন্স সিষ্টেমশিং*

# অযোধ্যাগী য়েৎনরিবা লমবু নেস্নেল হেরিটেজ ওইনা লাওথোক্নবা হায়জরকখ্রে

*লক্ষনৌ, জুন ২ ঃ*

অযোধ্যাদা রামগী পোকফম্নি অমসুং মুস্লিমশিংগী বাব্রি মসজিদকী মফমনি হায়না য়েৎনদুনা লৈরিবা মফম অদুবু নেস্নেল হেরিটেজ অমা ওইনা লাওথোক্নবা মীওই অমনা পি আই এল থাদুনা কোর্টতা হায়জরকখ্রে।

অদুবু দিল্লি হায়কোর্টনা হীরম অদুগীদমক সেন্টরদা চেরোল অমা থাগৎনবা পিটিস্নর অদুদা ঙরাং খঙহনখ্রে।

এক্টিং চীফ জষ্টিস গিতা মিট্টল অমসুং জষ্টিস সি হরি সঙ্করনা শাবা বেঞ্চ অমনা পব্লিক ইন্টরেষ্ট লিটিগেসন অদুগী মতাংদা নোটিশ অমা ইশু তৌবগী মহুত্তা পেটিস্নর ওইরিবা এদভোকেট অনু মেহতাবু য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ওফ কনচরদা ৱাফম অসিগী মতাংদা চেরোল অমা থানবা খঙহনখি।

সেন্টরনা চেরোল অদুগী মতাংদা খন্নরবা য়াই অমসুং থা অহুমগী মনুংদা ৱারেপ অমা লৌরবা য়াই হায়না বেঞ্চ অদুনা হায়খি। এন্সিয়েন্ট মোনুমেন্টন্স এন্দ আর্কিওলোজিকেল সাইটস এন্দ রিমেন্স এক্টকী মখাদা য়েৎনদুনা লৈরিবা মফম অমসুং নোনুমেন্ট অদু নোটিফাই তৌনবা অমসুং লৌশিন্নবা অমসুং মদুবু নেস্নেল হেরিটেজ অমা ওইনা লাওথোক্নবা গভর্ণমেন্টতা দিরেক্সন অমা পীবীয়ু হায়না পি আই এল অদুনা কোর্টতা হায়রকখিবনি।

মফম অদুবু মাঙহন্দনা ঙাক–শেন্দুনা থম্নবা, মোনুমেন্টশিং অমসুং থায়নগী লাইশঙ অদু লোয়ননা মুস্লিমগী লাইশঙ মোস্ক অদু কনামত্তগী খূৎ চঙদনা মাঙহন্দনা থম্নবা মথৌ তাবা থবক লৌখৎনবা সেন্টরদা দিরেক্সন অমা পীবীয়ু হায়না পি আই এল অদুনা মখা তানা হায়জখি।

করিগুম্বা হান্না লৈরিবা ষ্ট্রকচর হায়বদি মফম অদুদা লৈরিবা মোনুমেন্ট মপূং অদুদগী সুপর ষ্ট্রকচর অদু তোঙান তোঙান খাইদোক্লবগী মথৌ তাবা অমা লাকপা তারগসু মোনুমেন্ট অনীমক অদুগী সেঙ্কটিটি অদু ঙাক্তুনা থমগদবনি হায়না পি আই এল অদুনা হায়খি।

য়েৎনরিবা মফম অদু আর্কিওলোজিগী মরু ওইবা লৈ অমসুং থায়নগী মোনুমেন্টশিং, অরিবা পোৎলম চৈরমশিং লৈ। মদু ঐখোয়গী নেস্নেল হেরিটেজগী শরুক ওইরিবনি হায়খি।

এন্সিয়েন্ট মোনুমেন্টন্স এন্দ আর্কিওলোজিকেল সাইটস এন্দ রিমেন্স এক্টকী মতূং ইন্না থায়নগী অরীবা মোনুমেন্টশিং অমসুং সাইটসশিংবু মাঙহন্দনা ঙাক–শেন্দুনা থম্বা হায়বসিগী থৌদাং ষ্টেট গভর্ণমেন্টকীনি। মফম অমসুং মোনুমেন্ট অদু লনাইগী মপুশিংদগী লৌশিন্দুনা নেস্নেল ইম্পোর্টেন্সকী ষ্টেতস পীগদবনি অমসুং লৈবাক অসিগী হিষ্টোরিকেল অমসুং কনচরেল প্রিজার্বেসনগীদমক ষ্টেটনা প্রিজার্ব তৌদুনা থমগদবনি হায়না পি আই এল অদুনা হায়খি।

# অরুনাচল প্রদেশতা প্রসিদেন্ট রুল থম্নবা কংগ্রেস পার্টিনা দিমান্দ তৌখ্রে

*ইটানগর, জুন ২ ঃ*

অরুনাচল প্রদেশতা পঞ্চায়ট মীখল পাঙথোকপদা মতম থেংথহনবগীদমক অমসুং ষ্টেট অসিগী লো এন্দ ওর্দরগী ফিভম হেন্না শোকচিল্লকপগীদমক পেমা খন্দুগী গভর্ণমেন্টপু অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা অরুনাচল প্রদেশ কংগ্রেস কম্মিটিনা ষ্টেট অসিদা প্রসিদেন্ট রুল খুদক্তা থম্বীনবা দিমান্দ তৌখ্রে।

অরুনাচল প্রদেশতা পঞ্চায়টকী টার্ম অসি নিংথৌকাবা নুমিত্তা লোয়খ্রবনি। অদুবু পঞ্চায়ট মীখল অসি মতম থেংথনবা ৱারেপ লৌখিবগীদমক অরুনাচল প্রদেশ কংগ্রেস কম্মিটি (এ পি সি সি) না ষ্টেট গভর্ণমেন্টপু কন্না য়ানিংদবা ফোঙদোকখি। ষ্টেট অসিদা হুরান–চিন্থি, মীহাৎপা, নুপী ইজৎ মাঙহনবা, মী ফাবা অমসুং দ্রগকী অরোনবা করবার হেনগৎলক্লে হায়বা ৱাফম থল্লদুনা ষ্টেট অসিদা লো এন্দ ওর্দরগী ফিভম শাথিনা কায়থরক্লে হায়না ফোঙদোক্লদুনা মসিগীদমক লৈঙাক পায়রিবা পেমাখন্দুনা দাইত্ব পুগদবনি অমসুং চীফ মিনিষ্টরগী ফম থাদোক্নবা এ পি সি সি না দিমান্দ তৌখি।

পঞ্চায়টি রাজ সেক্রেটরী অমসুং স্পিসিয়েল সেক্রেটরীনা ষ্টেট অসিদা পঞ্চায়টি রাজ সিষ্টেম মুত্থৎনবগী মরীদা তোঙান তোঙানবা অমসুং অমগা অমগা ওন্ন–তৈনবা নোটিফিকেসনশিং থোকখি। মসিনা মীয়ামদা চম্মম্নবা পোকহল্লে। ইটানগর অমসুং পাসিঘাত ম্যুনিসিপাল মীখলসিগী মতম লাওথোকখ্রবা মতূং ফাওবদা অতৈ ম্যুনিসিপালশিং অমসুং পঞ্চায়টকী মীখলশিংদি কেন্সেল তৌখ্রে। মসি পূন্নমক অসিগী মরমনা গভর্ণমেন্ট অসি ফাগি তাহল্লে হায়না এ পি সি সি গী ভাইস–প্রসিদেন্ট মিনকির লোলেননা ষ্টেটমেন্ট অমদা হায়খি।

ম্যুনিসিপাল মীখলশিং তোকখিবদু নোংজু থা ওইবনা নোং কন্না চুথরক্তুনা লেনস্লাইদশিং থোকপা য়াই অমসুং লম্বী চখোক চৎশিন্দা খুদোং চারোই হায়বগী য়ূম্ফমদনি। অদুবু কুমজা ২০১৩ দা য়াম্না অরাপ্পা মফমশিং অমসুং ঙমখৈদা লৈবা খুঙ্গংশিংদা ফাওবা ম্যুনিসিপাল মীখলশিং ফজনা পাঙথোকখি হায়না কংগ্রেস পার্টিগী লুচিংবা অসিনা মখা তাখি।

বি জে পি অমসুং কংগ্রেস পার্টি অনীগী মরক্তা মখা তানা হুন্নরদুনা ২০১৯ দা পাঙথোক্কদবা এসেমব্লি মীখলদা বি জে পি না সিট ৬০ মক লোয়না ফংগনি হায়না পেমাখন্দুনা য়ূমশকৈশা নুমিত্তা গেকুদা ফোঙদোকখিবা ৱাফম অদু কংগ্রেসনা ককথৎখি। চীফ মিনিষ্টরগী ৱাফম অদু করেম্নরদুনা এ পি সি সি না হায়খি, হৌজিক লৈরিবা বি জে পি গভর্ণমেন্ট অসিদি মসিগী ফুল তার্ম ফাওবা লৈবা ঙম্লোই, ২০১৯ ফাওবা ওফিস পাইবা ঙম্লোই। ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা থবক কয়ামরুম তৌরে হায়না ফোঙদোকখিবা কয়ামরুমবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা ষ্টেট অসি ট্রান্স–অরুনাচল হায়ৱে হায়বা য়ু পি এ গভর্ণমেন্টনা প্রোজেক্ট অদুখক নত্তনা করিগুম্বা দিভলপমেন্ট অমত্তা লৈতে হায়না এ পি সি সি না হায়খি।

# ম্যান্মারনা রোহিংয়া রিফ্যুজি পূন্নমক লৌশিনবা য়ানিংলে

*সিঙ্গাপোর, জুন ২ ঃ*

হৌজিক বাংলাদেশতা চেনখিদুনা লৈরিবা রোহিংয়া মুস্লিম রিফ্যুজি লাক্ষ ৭ অসি লোয়নমক করিগুম্বা মখোয়না মশানা হল্লকপা তারবদি মখোয়বু ম্যান্মারনা লৌশিনবা য়াই হায়না লৈবাক অসিগী নেস্নেল সেক্যুরিটি এদভাইজর থাউং টুন না ঙসি থাংজ নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

সিঙ্গাপোরদা পাঙথোকপা রিজনেল সেক্যুরিটি কনফরেন্স অমা ওইরিবা সঙ্গ্রি–লা দাইলোগতা ম্যান্মারগী নেস্নেল সেক্যুরিটি এদভাইজরশিংনা ৱা ঙাংখি অমসুং মদুদা রোহিংয়া অয়াম্বনা লৈরিবা ম্যান্মারগী রখিন ষ্টেটতা ওইরিবা ফিভম অদু য়ুনাইটেদ নেসন্সকী রেসপোন্সিবিলিটি টু প্রোটেক্ট ফ্রেমৱার্ক অদু মথৌ তারক্কদ্রা হায়বা ৱাহং অমা হংলকখি।

কুমজা ২০০5 দা য়ুনাইটেদ নেসন্সতা আর ২ পি ফ্রেমৱার্ক হায়না কৌবা অদু চৎননবা ৱারেপ লৌখিবনি। ফ্রেমৱার্ক অসি লৈবাকশিংনা মখোয়গী মীয়ামবু জেনোসাইদ, ৱার ক্রাইম, ইথনিক ক্লিন্সিং অমসুং ক্রাইমস এগেন্স হুমেনিটিদগী ঙাকথোক্নবনি।

করিগুম্বা নহাক্না ভলন্টরি বেসিস অমদা মখোয় লাক্ষ ৭ অদু অমুক হন্না থারকপা ঙম্লবদি ঐখোয়না মখোয়বু অমুক লৌশিন্নবগী অনীংবা লৈ। মসি ইথনিক ক্লিন্সিংনি লৌগদ্রা হায়না থাউং টুন না হায়খি।

মফম অসিদা লান চত্থবা লৈতে। মরম অদুনা ৱার ক্রাইমসু লৈতে। ক্রাইম এগেন্স হুমেনিটিগী ওইনদি মদু খন্নবা য়াবা অমনি অদুবু ঐখোয়না ময়েক তরং তরং শেংবা ইভিদেন্স মথৌ তাই। অসিগুম্বা হকচিল্লবা মরালশিং শীবা হায়বসি প্রমান পীগদবনি অমসুং অরাইবা ওইনা লৌরোইদবনি হায়খি।

কুমজা ২০১৭ কী আগষ্ট থাদগী হৌনা বুদ্ধিষ্টশিংনা মপূং ওইনা লৈবা ম্যান্মারদা মিলিটরি ক্রেকদাউন অমদা লৈবা রোহিংয়া মুস্লিম লাক্ষ ৭ লোম চেনখিবনি। রোহিংয়াশিংগী মথক্তা চত্থখিবা ক্রেকদাউন অদুবু ইথনিক ক্লিন্সিংগী টেক্সবুক একজামপল অমনি হায়না ম্যান্মারনা শুকয়া য়াদবা মওংদা য়ুনাইটেদ নেসন্স অমসুং এইদ এজেন্সিশিংনা মরাল শীখি।

চহী অসিগী জনুৱারী থাদা ম্যান্মার অমসুং বাংলাদেশতা চহী ২ গী মনুংদা রিফ্যুজিশিং অসি ভলন্টরি ওইনা অমুক হলহন্নবগী থবক পুংলোয় লোয়শিন্নবা য়ানখি।

বাংলাদেশতা চঙশিন্দুনা লৈরিবা রোহিংয়াশিংবু তেক্ত–কায়দনা হল্লকুবা পান্দমদা ম্যান্মারগা য়ুনাইটেদ নেসন্সকা শগোলশেন নুমিত্তা য়ান–ৱারোল অমা শোয় তৌনখি।

সেক্যুরিটি ফোর্সশিংদা রোহিংয়া লানহৌবশিংনা চত্থরকপা এটেকশিংগী পাউখুমদা আর্মিনা চত্থখিবা ওপরেসন্দা রখিন ষ্টেটতা মীওই অমগী হক খোঙ্গাওনবা অমসুং মরী লৈনবা অতৈ ৱাথোকশিং থিজিন্নবা ইন্দিপেন্দেন্ট কম্মিসন অমা লীংখৎকনি হায়নসু য়ানখি।

# য়ু পি দা নোংলৈ নুংশিৎতা ১৭ শিরে



*লক্ষনৌ, জুন ২ ঃ*

উত্তর প্রদেশকী তোঙান তোঙানবা লমদমশিংদা নোংলৈ–নুংশিৎ শিৎপদা ঙরাং য়ামদ্রবদা মীওই ১৭ শিখ্রে অমসুং অতোপ্পা ৯ শোকখ্রে।

ষ্টেট গভর্ণমেন্টকী ৱাঙাংলোয় অমনা ঙসি ফোঙদোকখিবদা শিখিবা অয়াম্বা মীওইশিং অদু অচৌবা উ পাম্বীশিং তুরকখিবা অমসুং য়ূম নীংখাইবদগীনি হায়রি।

মোরাদবাদ হায়বা নোংচুপ থংবা উত্তর প্রদেশকী দিষ্ট্রিক্ট অসিনা খ্বাইদগী হেন্না শোকপা দিষ্ট্রিক্ট ওইখি। দিষ্ট্রিক্ট অসিদগী মীওই ৭ শিখি। মসিগী মথংদা সম্বলদগী মীওই ৩ শিখি হায়না ষ্টেট গভর্ণমেন্টকী ৱাঙাংলোয় অদুনা হায়খি।

মুজাফরনগর অমসুং মীরুটতগী মীওই অমমম শিখি অদুগা অমরোহাদগী মীওই অমা শিখি হায়বগী পাউ লৈ হায়না মহাক্না হায়খি। পূং ২৪ গী মনুংদা অৱা–তেংবাং পোৎলমশিং য়েন্থোক্লবা দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেট পূন্নমক্তা ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা খঙহনখ্রে।

হৌখিবা য়ূমশকৈশা নুমিত্তা ষ্টেট অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা নোংলৈ–নুংশিৎ শিৎপা অমসুং ব্রজ তাবদা মীওই ৪০ শিখি। ষ্টেট অসিগী তোঙান তোঙানবা মফম খরদা অসুম্না নোংলৈ–নুংশিৎ অমসুং ব্রজ তাগনি হায়বসি মেটিওরোলোজিকেল দিপার্টমেন্টনা মাঙজৌননা হায়খ্রবনি।

ঙরাং ইরাই নুমিত্তা দিল্লি, নোইদা অমসুং ঘাজিয়াবাদতা পূংদা কিলোমিটর ৪০ য়াঙবা উফুলগী নোংলৈ–নুংশিৎ খুদক্তা শিৎলকখি। মদুনা মরম ওইদুনা ইন্দিরা গান্ধী ইন্টর্নেস্নেল এয়ারপোর্টকী ফ্লাইট খরা লম্বী থৈদোকখি হায়না এয়ারপোর্টকী লীখুনশিংনা হায়রি।

# ময়াবতিনা কান্সি রাম মেমোরিয়েল ওন্থোকখিবা লক্ষনৌ বঙ্গলো থাদোকখ্রে

*লক্ষনৌ, জুন ২ ঃ*

ইথা থাজদবা অঙকপা খোঙথাং অমদা বহুজন সমাজ পার্টিগী লুচিংবী ময়াবতিনা ঙসি লক্ষনৌদা লৈবা মাগী অনীশুবা গভর্ণমেন্ট বঙ্গলো অদু থাদোকখ্রে। মহাক বঙ্গলো অদুদা ময়ূম ওইনা চহী কয়ামরুম লৈরকখ্রবনি।

ময়াবতিনা হৌখিবা থাদা হান্নগী চীফ মিনিষ্টর অমা ওইনা মঙোন্দা গভর্ণমেন্টনা পীবা বঙ্গলো অদু খূৎশিন্নখ্রে। অদুবু ২০১১ দা মহাক্না চীফ মিনিষ্টর ওইনা পার্টি ফাউন্দর কান্সি রামগী মেমোরিয়েল অমনি হায়না ফোর্মেল ওইনা মোদিফাই তৌখ্রবা ১৩ এ মোল এভিন্যুদগী থাদোক্তনা লৈখিবনি।

কান্সি রামজিনা লক্ষনৌদা লাকপা মতমদা মহাক্না মফম অসিদা লৈরম্মী। মরম অদুদগী মফম অসি মহাকপু নীংশিংদুনা মেমোরিয়েল অমা ওইনা ওন্থোকখিবনি হায়না ময়াবতিনা ঙসি নুমিদাংৱাইরম হায়খি।

ময়াবতিনা মখা তাখি, ঙসিদি কান্সি রাম মেমোরিয়েলদা ঐনা হেক হেক লৈরম্বা শরুক অদুসু থাদোক্লে অদুবু মসি মেমোরিয়েল অমা ওইনা মখা তানা লৈখিগদবনি অমসুং মদুগী দাইত্ব অদু য়ু পি গভর্ণমেন্টকীনি।

ময়াবতিনা হৌজিক হৌজিক মহাক্না লৈরিবা মফম অসিগা হেক মায়োক্নবদা লৈরিবা মহাক্কী লনাই বঙ্গলোদা হোংজিল্লগনি। হৌখিবা থাদা ময়াবতিগী খোঙলোই অমসুং সেনিয়ার বি এস পি লীদর সটিষ চন্দ্র মিস্রানা চীফ মিনিষ্টর যোগি অদিত্যনাথ উন্নখি অমসুং মোল এভিন্যু বঙ্গলো অদু ময়াবতিনা থাদোকপা মথৌ তাদে হায়বা প্রমান গভর্ণমেন্ট দোকুমেন্টশিংগা লোয়ননা লমায় ৫ গী চেরোল অমা খূৎশিন্নখি হায়রি।

# ব্রুসেলস এয়ারপোর্টতা অনীশুবা লানজাউগী বোম অমা লৈরম্লে

*ব্রুসেলস, জুন ২ ঃ*

ব্রুসেলসকী ইন্টর্নেস্নেল এয়ারপোর্টতা অনৌবা বিল্ডিং শাগৎপগী থবক চত্থরকপদা মালেমগী অনীশুবা লাঞ্জাউগী বোম অমা লৈরম্বা থেংনখ্রে। অদুবু বোম অদু বোম দিস্পোজেল এক্সপার্টশিংনা দিফ্যুজ তৌখ্রে হায়না ঙসি থাংজ নুমিত্তা ওফিসিয়েলশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

ইন্টর্নেস্নেল এয়ারপোর্ট অদুগী টর্মিনেল বিল্ডিংশিংদগী মতিক চানা লাপথোকপা শাফগদবা মফমদা লৈবা এপ্রোনগী শরুক্তা অনৌবা বিল্ডিংশিং শানবগী লৈবাক তৌথোকপদা অনীশুবা লাঞ্জাউ মতমগী বোম অদু থেংনরকখিবনি হায়না এয়ারপোর্ট অদুনা থোকপা ষ্টেটমেন্ট অমনা হায়খি। মসিনা তাকপদি খুদোংথিনিঙাই থোক্লোইদবা অরাপ্পা মফম অমদা বোম অদু ফংখিবা মরমনা পেসেঞ্জরশিংদা খুদোংথিবা থোকখিদ্রে অমসুং ফ্লাইটশিংদসু অপনবা থোকখিদ্রে।

অদুবু শেমগৎ শাগৎপগী থবক অদু লেপখি অমসুং বোম অদু হেক ফংবগা মিটর ১০০ গী সেপ্টি পিরিমিটর অমা থমদুনা মী–পোং অমত্তা চঙহনখিদে হায়না এয়ারপোর্ট অদুনা হায়খি।

দি ও ভি ও হায়না খঙনবা বেলজিয়মগী মিলিটরি বোম দিস্পোজেল স্কৱাদপু বোম অদু দিফ্যুজ তৌনবা ঙরাং নুমিদাং কৌখি।

বোম অদু পোকখাইহন্দনা মদুবু দিসমেল্টন তৌবা ঙম্বগীদমক ব্রুসেলস এয়ারপোর্টনা দি ও ভি ও অমসুং থবক অদুদা য়াম্না ফজনা তেংবাংবগীদমক অতৈ পার্টনরশিংবু থাগৎপা অমসুং নুংঙাইবা ফোঙদোকই হায়না এয়ারপোর্টনা হায়রি।

মালেমগী অহানবা লাঞ্জাউ অমসুং অনীশুবা লাঞ্জাউ মনুংদা বেঞ্চিয়মদা বোম অমসুং অতৈ ম্যুনিসন্স মিলিয়ন কয়া থাদরকখি অমসুং দি ও ভি ও বু পোকখাইদবা ওর্দনান্সশিং লোয়শিন্নবা ইতৎ–তত্তনা কৌখি।

# য়েমেনদা ২৮ শিখ্রে

*সানা, জুন ২ ঃ*

য়েমেনদা গভর্ণমেন্টপু য়াবা ফোর্সশিংগা সিয়া লানহৌবশিংগা অনীগী মরক্তা অকন্নবা মওংদা খূৎ থোক্নখিবদা য়ামদ্রবদা মীওই ২৮ শিখ্রে হায়না য়েমেনগী ওফিসিয়েলশিংনা হায়রি।

সাউদি অরাবিয়ানা লুচিংবা কোলিসন এয়ারষ্ট্রাইকশিংনা ঙাক্লৌ পীবা গভর্ণমেন্ট ফোর্সশিং অদুনা হাউথি হায়না খঙনবা লানহৌবশিং অদুগা হন্দক চয়োল খরদা লাহ্নেংনখিবদা নোংচুপ থংবা সমুদ্র তোৰ্ৱান পরীংদা খুমাঙ চাউশিন্না চঙশিনবা ঙমখ্রে। লানহৌবশিং অদুনা গভর্ণমেন্টকী য়ানবা ফোর্সশিং ১৮ হাৎখি অমসুং ৩০ শোকখি। ঙরাং এটেক অদুদা য়ামদ্রবদা লানহৌবা ১০ সু হাৎখি হায়না ওফিসিয়েলশিং অদুনা হায়রি।

হৌজিক ফাওবদা মীওই লীশিং ১০ হেন্না শিখ্রবা লান অমদা ২০১৫ গী মার্চ থাদগী হৌনা ইরানগা খূৎশম্নবা লানহৌবশিং অসিবু কোলিসল অসিনা লাহ্নেংনরক্লি।

## GAS TODAY

**Patsoi Indane**
Booking : 24/04/18
Valid : 09/04/18
Stk : 306
Time : 07.30 to 10.30 a.m

**Hiyangthang Indane**
Booking : 23/04/18
Valid : 19/04/18
Stk : 306
Time : 07.00 to 10.00 a.m

**Khumbong Indane**
Booking : 02/05/18
Valid : 30/04/18
Stk : 306
Time : 07.30 to 10.30 a.m

**Phayeng Gas**
Immediate Booking First Serve
Stk : 306
Time : 07.30 to 10.00 a.m

**Maibia Gas**
Booking : 26/04/18
Valid : 24/04/18
Stk : 306
Sl. No. 8000
Time : 07.00 to 11.00 a.m

**Bashikhong Indane**
Booking : 13/04/18
Valid : 01/04/18
Stk : 306
Time : 07.00 to 10.30 a.m

সনা–সুদোকু –১১৮৫ গী সোল্যুসন

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 6 | 1 | 7 | 4 | 2 | 8 | 9 | 3 | 5 |
| 9 | 3 | 5 | 7 | 6 | 1 | 2 | 4 | 8 |
| 4 | 8 | 2 | 3 | 5 | 9 | 6 | 1 | 7 |
| 8 | 7 | 4 | 9 | 1 | 2 | 3 | 5 | 6 |
| 1 | 5 | 9 | 6 | 7 | 3 | 4 | 8 | 2 |
| 3 | 2 | 6 | 5 | 8 | 4 | 7 | 9 | 1 |
| 2 | 9 | 8 | 1 | 4 | 6 | 5 | 7 | 3 |
| 7 | 6 | 3 | 8 | 9 | 5 | 1 | 2 | 4 |
| 5 | 4 | 1 | 2 | 3 | 7 | 8 | 6 | 9 |

## SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating any numbers.*

Hard Sana Suduku-1186

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 6 | | | 1 | | | | | |
| 3 | | | 9 | | | | | |
| | | | 4 | | | 5 | 8 | |
| | | 9 | 3 | 6 | 5 | | | |
| | | 4 | | | | 2 | | 3 |
| 1 | | | | | 7 | | | 9 |
| | 5 | 2 | | | | 6 | | |
| 9 | 8 | | | | 4 | | | |
| | | | 6 | | 9 | 4 | | |

RST Resonant Tutorials
RESONANT TUTORIALS
Imparting Light to Medical Aspirants
SL/Bill (upto 12 June)
ADMISSION OPEN
Regular Course for Medical Entrance Exam
NEET (UG) - 2019
Class Commence : 21st June, 2018
Last Date of Admission : 19th June, 2018
Separate Section For Purely English Medium.
Hostel facility for Boys & Girls.
For more details, pliz contact: Resonant Office Keishampat Keisham Leikai, Near Manipur Rural Bank
Office Timing: 8:00 a.m. - 4:00 p.m.